# ৱর্ল্ড কপঃ ফ্রান্সকী শান্নরোয় ওসমানে দেম্বেলিগী হেটট্রিকনা নোর্ৱেবু লাকচনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখ্রে, বেলজিয়ম অমসুং সিনেগল চাওনা মায় পাকখ্রে



ফ্রান্সকী ওসমানে দেম্বেলিনা কাওশিল্লকখিবা বোল নোর্ৱেগী কিপরনা থিংবা ঙমখিদবগী শক্তম

**বোষ্টোন, জুন ২৭ (এজেন্সী):**

নোর্ৱে অমসুং ফ্রান্স

ঙসি অয়ুক পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা নোর্ৱে অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। বোষ্টোনদা লৈবা জিলেট ষ্টেদিয়মদা নোর্ৱেনা ৪-৩-৩ ফোর্মেটতা অদুগা ফ্রান্সনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা ৭ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী ও দেম্বেলিনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ২০ শুবা মিনটতা দেম্বেলিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ফ্রান্সনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ থংনবা ২১ শুবা মিনটতা নোর্ৱেগী শান্নরোয় টি অজ গার্দনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্লবা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা ও দেম্বেলিনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইরিবা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু নোর্ৱেগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ফ্রান্সনা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

টিম অনীগী মরক্তা অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদসু ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্তর এটেকশিং মশিং হেন্না চথুদুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা নোর্ৱেনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

লৈবাক অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ফ্রান্সকী দেজয়র দৌৱিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নোর্ৱেগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ফ্রান্সনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখি। মেটচ অসিগী ওইনা লৈবাক অনীমক্কী শান্নরোয় অমমমদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

সিনেগল অমসুং ইরাক

ঙসি অয়ুক পুং ১২.৩০ তাবদা টোরোন্টোদা লৈবা বি এম ও ফিল্ডদা সিনেগল অমসুং ইরাককী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। সিনেগলনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা অদুগা ইরাকনা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৪ শুবা মিনটতা সিনেগলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ঐচ দিয়ারানা চনখিবনি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনটতা ইরাককী শান্নরোয় আর সুলাকানা কা হেনবা ফাউল অমা তৌরুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। ইরাককী শান্নরোয় অমা হন্থখিবনা মরম ওইরগা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সিনেগলনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

সিনেগলগী অহানবা হাফকী পাঞ্জল অদু মেটচকী ৪ শুবা মিনটতা হাবিব দিয়ারানা চনখিবনি। অহানবা হাফকী ১৩ শুবা মিনটতা ইরাককী শান্নরোয় রেবিন সুলাকা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখিবনা মরম ওইরগা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা সিনেগলগী শান্নরোয়শিংনা হান্নদগী হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৬ শুবা মিনটতা সিনেগলগী স্মাইলা সারনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৫৯ অমসুং ৭১ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় পেপে গুইয়েনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইরাকতগী পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৮২ শুবা মিনটতা সিনেগলগী ইলিমেন নাদিয়েনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইরাককী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সিনেগলনা লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাকখি।

কেপ ভর্দে অমসুং সাউদি অরাবিয়া

ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদগী হৌরগা হ্যুস্তনদা লৈবা এন আর জি ষ্টেদিয়মদা কেপ ভর্দে অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। কেপ ভর্দেনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা অদুগা সাউদি অরাবিয়ানা ৪-৪-২ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লৈবাক অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কেপ ভর্দেনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫১ ওইখিবা মতমদা সাউদি অরাবিয়ানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৯ ওইখি। মেটচ অসিগী ওইনা লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লৈবাক অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু লৈবাক অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক হৈশিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা লৈবাক অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি। মেটচ অসিগী ওইনা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোয় ৩ অমসুং কেপ ভর্দেগী শান্নরোয় ১দা রেফরিনা য়েল্লো কার্দশিং বুক তৌখি।

উরুগ্বে অমসুং স্পেন

ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদগী হৌরগা গ্বাদরাজলাদা লৈবা অক্রোন ষ্টেদিয়মদা উরুগ্বে অমসুং স্পেনগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। লৈবাক অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা ৪-১-২-৩ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা স্পেনগী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুদা স্পেননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৮ ওইখিবা মতমদা উরুগ্বেনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩২ ওইখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাফ থাগদবা মিনট ৩ খক্তা ঙাইরবা মতমদা স্পেনগী এলেক্স বিনানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা স্পেননা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্লবা হান্নদগী হেন্না য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু স্পেননা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা স্পেনগী মায়কৈদগী কোর্নর কিক কাওনবগী খুদোংচাবা ৬ ফংখিবগী মনুংদা উরুগ্বেবনা ১ খক্তমক ফংবা ঙমখি।

| Round of 32 | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Date & Time in IST | | Match | | Venue |
| June 29, 2026 | 12.30 am | South Afica | Canada | Los Angeles Stadium, Inglewood |
| | 10.30 pm | Brazil | Japan | Houston Stadium, Houston |
| June 30, 2026 | 02.00 am | Germany | Paraguay | Boston Stadium, Foxborough |
| | 6.30 am | Netherlands | Morocco | Estadio Monterrey, Guadalupe |

বেলজিয়ম অমসুং ন্যুজিলেন্দ

ঙসি অয়ুক ৮.৩০ তাবদগী বেনক্যুবরদা লৈবা বি সী প্লেসতা বেলজিয়ম অমসুং ন্যুজিলেন্দগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। লৈবাক অনীমক্না ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বেলজিয়মগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বেলজিয়মনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৫ ওইখিবা মতমদা ন্যুজিলেন্দনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৫ ওইখি। মেটচ অসিদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা বেলজিয়মনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় লিয়েন্দ্রো ত্রোসাদনা ২৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদসু বেলজিয়মগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি। মেটচ অদুগী ৫০ শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী লিয়েন্দ্রোনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৬৬, ৮৬ অমদি অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা বেলজিয়মগী শান্নরোয় কেবিন দে গুইল, রোমেলু লুকাকু অমসুং এলেক্সিস সিলেমেকরসনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। অদুবু ন্যুজিলেন্দগী ওইনা ৮৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় এলিজা জষ্টনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু নত্তনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বেলজিয়মদা পাঞ্জল ৫-১দা লাকচনা থোইবা ঙমখি।



ন্যুজিলেন্দগী ইলিজা জষ্ট অমসুং বেলজিয়মগী মেক্সুন দে ক্যুপর অনীনা বোল মুন্নবা

ইজিপ্ট অমসুং ইরান

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌরগা সিটলদা লৈবা লিয়ুমেন ফিল্ড ষ্টেদিয়মদা ইজিপ্ট অমসুং ইরানগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। ইজিপ্টনা ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা অদুগা ইরাননা ৫-৩-২ ফোর্মেটতা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইজিপ্টকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ইজিপ্টনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬২ ওইখিবা মতমদা ইরাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৮ ওইখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা ইজিপ্টকী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় মুহম্মদ সবেরনা চনখিবনি। শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৪ শুবা মিনটতা ইরানগী রমিন রেজেয়াননা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লৈবাক অনীনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা লৈবাক অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ মায় পাকপা ঙম্লবা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং উখোক্লদুনা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মেটচ লোয়বা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। মেটচ অসিদা ইজিপ্টকী শান্নরোয় ৩ অদুগা ইরানগী শান্নরোয় ৪ পুন্না শান্নরোয় ৭তা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিমনা পাকিস্তানবু লাকচনা পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লি, জুন ২৭ (এজেন্সী):**

এফ আই ঐচ প্রো-লিগ লন্দন লেগকী ওইনা ঙরাং নুমিদাং লি ভেল্লি হোক্কি এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম অমদি পাকিস্তানগী নুপা হোক্কি টিমগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি।



টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনটতা পাকিস্তান টিমগী কেপ্টেন অবু বাকর মুহম্মদনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়াদগী পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ২০ অমসুং ২৬ শুবা মিনটতা সুখজিৎ সিংহ অমসুং হরমনপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ৩৪ অমসুং ৩৫ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী হর্দিক সিংহ অমসুং যুগরাজ সিংহনা মথংশিংনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমদুনা পাকিস্তানদগী পাঞ্জল ৪-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা ক্বার্টর অদুগী ৪৪ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রাজকুমার পাল অমসুং দিলপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। ক্বার্টর অসিগী ওইনা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৬-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৫৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিলপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু পাকিস্তানগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা লাকচনা পাঞ্জল ৭-১দা মায় পাকখি।

# নীনি চনবা নুমিৎতা পুন্না লিগ মেটচ ২০ শান্নখি


**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশন (এম এ কে কে এ) অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো-খো (টি বি কে কে এ) অনীগী মীৎয়েং মখাদা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) খাঙবোকনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কমপ্লেক্স অমদি বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোকতা চথরিবা ৩৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস খো-খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা বোইজ অমদি গার্লসকী লিগ মেটচ ২০ শান্নখি।

তোঙান তোঙানবা কোর্ট অহুমদা বোইজগী টিম ১৬না কাঙলুপ ৪দা শরুক য়াদুনা ঙসি অথোয়-অহেন তান্নখিবদা এস ঈ এন দি ৱাই সী, বি এফ এস, কে এস য়ু পি এস, এস ৱাই এ, এস সী ঈ এ এস দি ও, বাসু, এস এ দি এ, বি ঈ এস, দব্লিয়ু ঈ এস সী অমদি এস ঐচ এস এস টিমশিংনা মায় পাকখি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1861**

**Thomas Casper (2280) - Hans Joachim Grottke (2250)**
**DDR-ch 26th Frankfurt/Oder (13), 1977**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 d5 | 2.Nc3 d4 | 3.Nce2 e5 | 4.Ng3 g6 | 5.Bc4 Bg7 |
| 6.N1e2 Nd7 | 7.d3 Ne7 | 8.O-O Nb6 | 9.Bb3 Nc6 | 10.f4 O-O |
| 11.f5 Na5 | 12.Bd2 Nxb3 | 13.axb3 c5 | 14.Qc1 Bf6 | 15.Bh6 Re8 |
| 16.Qd2 Bd7 | 17.Rf3 Bc6 | 18.Raf1 Nd7 | 19.fxg6 fxg6 | 20.Nh5 gxh5 |
| 21.Ng3 Re6 | 22.Nxh5 Bh4 | 23.Rf7 Rg6 | 24.Rg7+ Rxg7 | 25.Nxg7 Nf8 |
| 26.g3 Be7 | 27.Qe2 Bd7 | 28.Qf3 Bg5 | 29. ... | |


**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1860 Solution :**


**24. Ng6+** *The white knight clears the way for White's queen to the pawn.* **Ke8**
*24...Kd6 25.Qe5#*
*24...fxg6 25.Qxe6+ Kf8 26.Qe7#*
**25. Qxe6+ fxe6**
*25...Bxe6 26.Re7#*
**26. Rxe6+** *Opening the line from c7 to e7.* **Bxe6**
*26...Kf7 27.Re7#*
**27. Re7#** *Arabian mate*
**1-0**



Title : ?
By : Athoiba Yenshenbam
Class : III Roll No. : 85 Sec. : B
School : Trinity Public School, Mongsangai



Title : Dark Heroes (Provoiz 95)
By : Korounganba Rajkumar
Class : IV Roll No. : 32 Sec. B
School : Pitambara English School



Title : KV-6
By : Laishram Taibanganba
Class : V Roll No. : 25 Sec : Green
School : St. Joseph Hr. Sec.




Title : The Four Tier Layer of Equatorial Forest
By : Marlin Thingbaijam
Class : V Roll No. : 25 Sec. : E
School : Unacco School




Title : Save Water
By : Puwari Thokchom
Class : I Roll No. : 24 Sec. :
School : RB Academy Lamsang



Title : Baal Hanuman
By : Ryan Salam
Class : UKG Roll No. : 4 Sec : A
School : Memi Kinder Garten



Title : Scenery
By : Salainganbi Ningthoujam
Class : Roll No. : 10 Sec :
School : Brilliant Academy



Title : Nature
By : Angelina Naorem
Class : KG1 Roll No. : 31 Sec : A
School : PR English School, Kakching



Title : An Elephant
By : Hellosy Rajkumari
Class : III Roll No. : 3 Sec :
School : Brilliant Academy, Thoubal Melaground



Title : Sailboat
By : Tamnganba Karam
Class : III Roll No. : 14 Sec :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com